থম্মোয় পাউদম | হুইয়েন ইন্দু

# অমম্বা নুমীৎ- কনানবু খল্লিবগে নুমীৎসি অমম্বনি?



বন্দ ব্লোকেদ-ষ্ট্রাইক-প্রোটেষ্ট, ৱাকৎ-মীফমদা চহী কয়া এক্সপোজ তৌদুনা চুশিনখ্রবা লমদমসিগী মীয়ামগী কোক (পূক্লিং-ৱাখল)- কয়ামুক সিষ্টেমেটিক ওইরক্লবনো য়েংবীয়ু! ঙসি ওক্টোবর ১৫, মণিপুর'না ইন্দিয়াগী শরুক অমা ওইনা পোলিটিকেল্লি পুনখিবা নুমীৎ অসি, কুমশিদি অকক্লবা লালহৌলূপ অমত্তনা বন্দ/জেনরেল ষ্ট্রাইক/শিন্থা লেপ্পা... অসিগুম্বা অখন্নবা এক্সন-প্রোগ্রাম অমত্তা পাউচে নৎত্রগা ইলেক্ট্রোনিক মীদিয়াগী থোঙ অমত্তদা লাউথোকখিবা থেংনদে। অদুবু, মচি খুদিংমক্তা- মরুওইনা শিনলম-শিন্থা পাঙফম খুদিংমক্তা ঙাঙনৈ- ওক্টোবর ১৫, চহী খুদিংগী 'ব্লেক দে' হায়দুনা বন্দদগী হেন্না শাথীবা নুমীৎ অমা পালন তৌই খঙলমক্তদা নৌনা অমুক লাউথোকপা মথৌ তারিবরা? কয়াদা মথৌ খঙখ্রবা! কয়াদা ৱাখল তাখ্রবা! 'হন্দকমুক্তি লাউথোক্লক্তে ব্লেক-দে ওইদ্রমাল্লে'- কনানো'মনা হায়রকপদা কনানো'মনা খুন্নকখি (নুপীনি, ষ্টেট গভর্ণমেন্ট ওফিসতনি)- 'কদায়দগী কদায়দগী, ওফিসকা কারু-লাকউ য়াপোৎ নত্তে, শিরগা ইরন্নাই তানবা... লন্নাই-সংস্থান অমনা কৌবা বন্দসু নত্তবা, খুৎলায় পায়বা লালহৌবশিংনা পাঙথোকপা অমম্বা-নুমীৎ-থৌরমনি, কনানা মখোয়গা শিংনরুগনি...'।

য়েংসি। কনা কনা করম্বা ওফিসতা কাবগে? লম্বীদা গাড়ী চৎপরা? করম্বা দুকান হাংবগে? পেসেঞ্জর গাড়ীদি চেনগদবা মান্দে। পার্কিংদা ঙাঙনহৌবদু তারকই- মী তাকপা কৈথেলদা থৌজিল্লকই করি কান্নবা? মতৌ অসুম্না, রিপব্লিক-দে, ইন্দিপেন্দেন্স দে- খরা লৈরগদি 'নেচরেল বন্দ নুমীৎ' শোয়দনমক্কী ওইরক্লনি।

ঙসিগী থম্মোয় পাউদম'না অতোপ্পা মরুওইবা হীরম অমদা পাউদমদ্রদনা, অমম্বা নুমীৎ' অসিগী মরমদা পাউদমনীংলুরিবা করিগী? ইন্দিয়াগী শরুক অমা ওইখ্রবা মতুংগী মণিপুর'দা পোকপা ঐখোয়দা, অঙাং পিশক ওইরিঙৈদগী তম্বীরকই- ইন্দিয়ন হিষ্টরি, ইন্দিয়ন ফিজিকল জিওগ্রাফি, ইন্দিয়ন রিলিজিয়স ফিলোসোফি, ইন্দিয়ন সিনেমা, ইন্দিয়ন ম্যুজিক, ইন্দিয়ন পোলিটিক্স, ইন্দিয়ন এদ্যুকেসন... অসিনচিংবা হিংবগী বেসিক এলিমেন্ট খুদিংমক্তা চুশিনখ্রবা মীরোল অমদা- 'ইন্দিয়া হায়বসি অমম্বা তাইবং অমনি, ইন্দিয়াদা পূনখিবা নুমীৎতু অমম্বা নুমীৎ অমনি' হায়বা ৱাখল অমগী মরু হুলহন্নবা হোৎনবা- অরায়বা থবক অমা নত্তে। ৱাফম অসি লায়না লৌবা য়াদবা, অরুবা ৱাফম অমনি।

হয়েংগী অমম্বা তাইবংদুদা মঙাল পীনবনি, মীওইবনা লাইরিক তম্নরিবা। লাইরিক নীংথিনা তম্লবা মীশক অদুবু কৌই ঐখোয়না 'এদ্যুকেসনগী মঙাল ফংলবা'। এদ্যুকেসনগী মঙাল ফংনবা লমদমসিগী নুংঙাই-য়াইফ মচাশিংবু ইন্দিয়াগী মফম কয়াদা লাইরিক তম্বা থানরকই ইন্দিয়াদা মণিপুরনা পুন্দ্রিঙৈ মতমদুদগী হৌদুনা ঙসি ফাওবা। অদুগা, ইন্দিয়াগী শরুক অমা ওইখিবা নুমীৎ অদুবুনা লমদম অসিগী 'অমম্বা নুমীৎ'? ৱাকৎ মওং অসি চুম্বরা? ইন্দিয়াদা পুল্লমদ্রবা, লমদম অসি ঙাল্লমগদ্রা?

হৌখিবা চহী ২০/৩০ অসিদা নৈনদুনতা লাক্লবা, ঙসিসু নৈনরিবা, নম্ফু শীজিন্নদুনা নিংথৌবু খুৎয়েক পীহল্লগা তৌনখিবা 'মর্জর এগ্রিমেন্ট'কী ৱারোলশিং ঙসিগী পাউদম অসিনা কোনশিঞ্জররোই। ঙসি ঐনা পাউদমজনিংলুবদি মশাগী পুন্সি অমদি তুংলমচৎকী ৱাখল মাঙখ্রবা মীরোলসিদা, ওক্টোবর ১৫ লমদমসিগী মীয়ামগীদমক অমম্বা নুমীৎ অমনি হায়না পালন তৌবসিগী সিগ্নিফিকেন্স লৈবরা নৎত্রগা লৈতবরা হায়বা লন্নাই ৱাখলদুনাা লমজিংলগনি।

অমম্বা নুমীৎ নৎত্রগা গ্লুমি দে হায়না পালন তৌবা হৌনরকপা মতমদুদা ষ্টেট ওথোরিটিনসু নুমীৎ অসিগী সিগ্নিফিকেন্স য়াম্না মরুওইনা লৌনরম্মী। মীয়াম্নসু লুনা লৌনরম্মী। অমম্ববু অঙানবা ওইনা উহনবা লৈঙাকসিগী মায়োক্তা খুৎলায় পায়দুনা থৱায়না পোম্থা পীরিবনি হায়বা লাল্লোয়শিংদুসু মীয়াম মরকক্তা লৈরম্মী।

ঙসিদি? কদায় চৎখ্রে লাল্লোয়শিং? অমম্বদুদা লম্মাংনখ্রবরা? নৎত্রগা, লম্বী ওন্ননা চৎখ্রবরা? মীয়াম মরকসিদদি উদরে, মীয়াম্বু অমম্বদগী অঙানবদা পুথোক্কনি ৱাশক্লম্বা লাল্লোয়শিং। অওনবা অমগীদমক লাম্থেংনরম্বা লাম্নীশিংদুনা পামজখিবা অওনবদুরা, ওল্লবা ঙসিগী খুন্নাইসে? ওল্লে। তশেংনা ওল্লে। পুন্সি-লম্বী ওইরবা, শেল খায়বা মুনবনা পুলিসকী তৌফদ্রবা থৌদাং ওইরবা, লৈবাক্কী লৈঙাকপা খন্নবা মীখলনা লুপা ক্রোর কয়া চাইনবগী কুম্মে ওইরকপা, নীংতম লালহৌ হৌরম্বা লালহৌলূপ খরনা মীরেপশিংদা কিহনবৈ লীলা শান্নরগা মনুংদা লোন্না খুৎশম্নরম্বা, লায়রবনা ময়ুম ইংখোল য়োল্লগা মিনিষ্টরগী য়ুমদা থিনবদু মিনিষ্টরনা মঙোন্দা থৌজাল মীৎয়েং য়েংবীবনি খন্নরবা, দিয়র ইজ নো ওল্টর্নেটিব (মসি নত্তনা অতোপ্পা লম্বী লৈতে) হায়না অমেরিকা'না হায়রকপদু অচুম্বনি খল্লবা মীয়াম অদুনি লৈবাকসিদা হিংলিবা।

'অমম্বা নুমীৎ' পালন তৌদৌরিবা শিন্মী ময়াম-মশাগী অফবা, নুংঙাইবা পুন্সি অমগীদমক মঙ মঙদুনা ৱাকৎ অমা থাঙ্গৎপা নত্তে, পাম্বে লৈতদুনা মথৌদগী নাথৈখিবসু নত্তে। য়েংবীয়ু। সিমদি নাখৈ শেংলবনি- নোংমদুমা মথৌদগী লৈথোক্তুনা, শুদনা নুংঙাইবা পাম্বা পূক্লিংদুগী নিংঙাই থেম্বনি। মখোয়না খল্লি- ইন্দিয়াদা তিনবা অমম্বদা তিনবা নত্তে। মহাক নুংঙাইরি, অঙানবদা লৈ।

লৌশিং পুক্কৈ

# পুন্সি চুপ্পা অহল ওইশিলহন্দনবা থৌরাং



মী ওইববু অহল ওইশিলহনবদা মরুওইবা থৌদাং লৌরিবা প্রোটিন মখল অমা সাইন্টিষ্টশিংনা থেংনরে। সেলগী পাৱরহাওসনি হায়রিবা মাইটোকোন্দ্রিয়া মনুংদা য়াওবা প্রোটিন অমনা মরম ওইরগা মীওইবনা অহল ওইশিল্লকপনি হায়রি। মীওইবনা নিংশা শ্বর হোঞ্জিনবদা য়াওরিবা ওক্সিজেনবু মাইটোকোন্দ্রিয়ানা ইনর্জিদা ওন্থোক্লগা হকচাংগী কয়াৎশিং মথৌ নীংথিনা তৌহল্লিবনি।

মীওইববু অহল ওইশিলহনবদা মরুওইবা থৌদাং লৌরিবা প্রোটিন অমা মশক খঙলবনিনা অলঝিমর'স অমসুং পার্কিন্সন'স দিজিজগুম্বা ন্যুরোদিজেনরেটিভ কন্দিসনশিং খোঙজেল তপথহন্নবা হীদাক অমা পুথোকপা ঙম্বগী ফীভমদা লৈরে হায়না রিছার্চরশিংনা ফোঙদোকখি।

লিজা চক্রবর্তি অমসুং অমেলিয়া পোলার্দনা লুচিংদুনা চখ্থিবা ষ্টদি অমগী রিপোর্টনা হায়খি, কার্বোনিক এনহাইদ্রেজ কৌবা মাইটো-কোন্দ্রিয়া মনুংদা য়াওবা প্রোটিন অমনা মীওইববু অহল ওইশিলহনবদা মরুওইবা থৌদাং লৌই। প্রোটিন অসি মশক খঙলবনিনা মীওইববু অহল ওইশিলহন্দবগা লোয়ননা দিজেনরেটিভ দিজিজ পুম্নমক মাঙজৌননা ঙাকথোক্লবগী পাম্বে পুথোকপা ঙম্লগনি হায়না থাজনরি।

টু-দি জেল ইলেক্ট্রোফোরেসিস কৌবা অখন্নবা থৌরাং অমা লৌখৎলগা সাইন্টিষ্টশিংনা নহা ওইরিবা মীওই অমসুং মীয়ায় চল্লবা মীওইশিংগী ব্রেন সেল অমদি মশল সেলদা য়াওবা প্রোটিনশিং লৌথোক্লগা চাংদম্নদুনা য়েংলম্মী মদুদা মীয়ায় চল্লবা মীওইশিংগী ব্রেনদা কার্বোনিক এনহাইদ্রেজ চাং ৱাংনা য়াওরম্বা থেংনখি। মতৌ অসুম্না মীওইবনা চহী য়ামশিল্লক্লগা অহল ওইশিল্লক্লিবসি কার্বোনিক এনহাইদ্রেজগী চাং ৱাংখৎলকপনা ওইহল্লকপনি হায়বা সাইন্টি-ষ্টশিংনা খঙবা ঙমখি।

মীওইবনা অহল ওইশিল্লকপা মতমদা মশলগী শরুক তপ্পা তপ্পা মাঙখি। হায়রিবা থৌওং অসি মশাগী চহী ৫০ শুরকপা অদুৱাইদগী উবা ফংই। চহী ৬০ শুরক্লবদি থৌওং অসি ময়েক শেংনা উবা ফংলে। মদুনা মরম ওইরগা পাঙ্গল শোন্থরকই। ব্রেনগী ওইনদি নীংশিংবা ঙম্বগী মতিক ময়াই হন্থরকপগা লোয়ননা দিমেন্সিয়াগী রিস্ক ৱাংখৎলকই। অলঝিমর'স অমদি পার্কিন্সন'স দিজিজনচিংবা অতৈ ন্যুরোদিজেনরেটিভ দিজিজ কয়াগী রিস্কসু ৱাংখৎলকই।

সাইন্টিষ্টশিংনা হকচাংগী মাইটোকোন্দ্রিয়াদা য়াওবা কার্বোনিক এনহাইদ্রেজগী চাং হন্থহনবা ঙমগদবা হীদাক অমা পুথোক্লগা মীপুম খুদিংমক মতম চুপ্পগী নহা ওইনা লৈহন্নবা থৌরাং অমা লৌখৎনবা হোৎনরি। ষ্টদিগী রিপোর্ট অসি একাদেমীক জর্নেল 'এজিইং' দা হন্দক্তা ফোঙলকখিবনি।

অমরোমদা, মৈখু শীজিন্নবা, য়ু থকপা অমসুং অফবা চীঞ্জাক চাদবা হায়বসিনা মীওইববু মনুং মতম চাদনা অহল ওইশিলহল্লি হায়বা মীপুম খুদিংমক্না খঙনরবা ৱাফমনি। স্মার্ট ফোন অমদি অতৈ ইলেক্ট্রোনিক গেদজেটশিং কা হেন্না শীজিন্নবনসু চহী মতাংগা চান্নদবা মওংদা থুনা অহল ওইশিলহল্লি। অতৈ অতোপ্পা মরমশিংদি মতম শাংনা ফমজিন্দুনা লৈবা, কুচু ঙৌথোক্লবা পোৎলম শীজিন্নবা অমসুং পোষ্ট ট্রোমাটিক ষ্ট্রেস দিসওর্দরনি।

মফম অমদা কুইনা ফমজিন্দুনা লৈরবদি থুনা অহল ওইশিলহল্লি হায়বসি মীওই অয়াম্বনা খঙনদে। অদুবু তোঙান তোঙানবা ষ্টদিগী রিপোর্টনা হায়খি, কুইনা ফমজিন্দুনা লৈরবদি দি এন এদা অহোংবা থোকহনবা মরম্না খোঙজেল য়াঙনা অহল ওইশিলহল্লি।

অতোপ্পা রিপোর্ট অমনা হায়খি, কনাগুম্বনা কুচু ঙৌথোক্লবা পোৎলম শীজিন্নরবদি খুদক্তা শীজিন্নবা তোক্কদবনি। কুচু ঙৌথোকহন্নবা পোৎলমশিংদা হাইদ্রোক্কিনোন নৎত্রগা মর্ক্যুরিগী চাং ৱাংনা য়াওই। হায়রিবা পোৎলম অসিদা নুংশা মঙালগী অল্ট্রাভাইওলেট রেনা য়ৈবা মতমদা রিওক্সিদাইজ তৌবদগী থুনা অহল ওইশিলহল্লি। পোষ্ট ট্রোমাটিক ষ্ট্রেস দিসওর্দরনসু সেল কয়ামরুম শিহনবা মরম্না মীওইববু মনুং মতম চাদনা অহল ওইশিলহল্লি।

অনৌবা মতমগী মীরোলনা মতম চুপ্পা শাগোন্নরিবা স্মার্ট ফোননা উনশা শোকহল্লি হায়বা ষ্টদি অমদগী খঙবা ঙল্লে। মতম শাংনা স্মার্ট ফোনদা য়েংবনা খৌরিগী মশল তেনশিলহনবগা লোয়ননা উনশা মরিল চৎহল্লি। মরম অদুনা অয়াম্বা মতমদা স্মার্টফোন শীজিন্নবা মীওইশিংগী হকচাংদা অহোংবা কয়া থোরক্তুনা থুনা অহল ওইশিল্লকই।

অহল ওইশিল্লকপা হায়বসিগা পুন্সি তেনবা হায়বসিগা তোঙান তোঙাল্লি। কুইনা পুন্সিরে হায়দুনসু ফমুংদগী হৌগৎ-কাংখৎপা ঙমদবা মওংদা হকচাং ইশোন শোন্না হিংবা মীওই কয়া লৈরি। অদুগুম্বা পুন্সি মহিং অদু কনানসু পামদে। অমরোমদা, চহী নৌনা হকচাংদা অহোংবা কয়া লাক্তুনা অহল অমগী মতৌগুম হিংবা মীওই কয়াসু লৈরি। পুন্সি শাংবা নৎত্রগা তেনবা হায়বসি মী-মীগী জিন অমসুং দি এন এ খেন্নবগী মখাসু পোল্লি। হিংলিঙৈ মতমদা হকচাং নুংঙাইনা অনা-অয়েক য়াওদনা লৈবদুনি মরম ওইরিবদি।

অহল ওইশিল্লক্তুনা পুন্সিগী অরোইবা মীৎকুপ নকশিল্লক্লবা মতমদা কা হেন্না হকচাং শোল্লবদি অৱাবা খুদোংচাদবা মায়োক্লহল্লি। মরম অদুনা হিংলিঙৈ মতমদা হকচাং ফনা, অনা-অয়েক য়াওদনা অমসুং পাঙ্গল কন্না লৈনবগীদমক ইশা-ইশাগী পুন্সি মহিং শেমদোকপা য়াম্না তঙাইফদে। অমবু ওইরবসু অমবু ওইরবসু সাইন্টিষ্টশিংনা লৌখৎলিবা থৌরাং অসিনা মায় পাকপা থোক্লবদি মীপুম খুদিংমক চহী য়াম্লবসু নহা ওইনা লৈবা য়ারগনি।

# ফ্রেমৱার্ক এগ্রিমেন্টকী ৱাফম বি জে পিনা লোৎপনি : আনন্দ




ইম্ফাল, ওক্টোবর ১৪ (ঐচ এন এস):

ইন্দিয়া গভর্ণমেন্ট অমসুং এন এস সী এন (আই-এম) গী মরক্তা তৌনরিবা ফ্রেমৱার্ক এগ্রিমেন্টতা করি করি য়াওই হায়বা ৱাফম বি জে পি মণিপুর প্রদেশনা শোয়দনা খঙলমগনি। এগ্রিমেন্ট অসিদা য়াওরিবা ৱাফমশিং খঙদে হায়না করিগী থম্বনো, ৱাফমশিং অদু বি জে পি মণিপুর প্রদেশনা লোৎতুনা থম্বনি হায়না এম এল এ, আর কে আনন্দনা ফোঙদোকখ্রে।

মালোম তুলিয়াইমা অৱাং লৈকায়দা নৌনা শাখিবা কোয়রৌ মল্টিপর্পজ কম্ম্যুনিটি হোল শঙ্গাবগী থৌরমদা চীফ গেষ্ট ওইখিবা এম এল এ, আর কে আনন্দনা হায়খি, সেন্টরদা এন দি এ লৈঙাক লৈখিবা মতমদা এন এস সী এন (আই-এম) গা সীজ ফায়র এগ্রিমেন্ট তৌনবদা ৱিথদাউট টেরিটোরিএল লিমিট হায়রকপদগী মণিপুর মৈ হৌনা চাকখিবা থৌদোক লৈখ্রবনি। হৌজিকসু সেন্টরদা বি জে পিনা লুচিংবা গভর্ণমেন্ট অমা লৈরকপা মতমসিদা এন এস সী এন (আই-এম) গা ফ্রেমৱার্ক এগ্রিমেন্ট সাইন তৌনদুনা লমদমসিগী টেরিটোরিএল ইন্টিগ্রিটিদা শিংনরক্লি। অসিগুম্লবা বি জে পি গভর্ণমেন্টনা চখ্থরক্লিবা থৌওং অসিদি মণিপুরগী মীয়াম্বু ঈকায়-খুম্নদবনি। ফ্রেমৱার্ক এগ্রিমেন্ট অসিদা য়াওরিবা ৱাফমশিং লোৎশিল্লগা থম্লিবা অসি মীয়াম খঙনা করিগীদমক্তা বি জে পি মণিপুর প্রদেশনা লাউথোকহন্দবনো। মরম অসিনা মণিপুর থুগায়বা পাম্বশিং অসি মীয়াম্না ৱারকফম থোকই। নাগা ইন্টিগ্রেসনদা য়ুম্ফম ওইরগা থোরকখিবা এন পি এফকা বি জে পিগা চৎমিন্নরি। মসি কোংগ্রেসনা হায়বা নত্তে। অশেংবা ৱাফমনি। বি জে পিগা এন পি এফকা চৎমিন্নরিবা অসিগী অরোনবা এজেন্দা অমসু শোয়দনা লৈফম থোকই। অসিগুম্বা ফীভম অসিদগী চেকশিনসি।

মহাক্না মখা তারদুনা হায়খি, মীখল ময়া য়ৌশিল্লকপা মতম অসিদা সোসল ৱার্করনি হায়দুনা থোরক্লগা মীখল থেংনগনি হায়রিবা মীওইশিংনা ওইদ-পাদবা পংঙাংদা ঙাংবসি তৌহন্নিংদে। এম এল এ, মিনিষ্টরশিংনা লৈবাকসিগী করি করি থৌদাং লৌরি হায়বদুদা নৈনসি। অপীকপা পোলিটিক্স তৌদবনা ফগনি। মণিপুর কনগনি হায়না থৌদাং লৌমিন্নরম্বশিংনা হৌজিকসু মণিপুর কনসি। পার্টি চোংথোক চোংশিন তৌবনা মণিপুর কনবা ঙমগদবা মান্দে। মরম অদুনা মণিপুর লেজিসলেটিব এসেমব্লীগী অয়াবা য়াওদনা মণিপুর থুগায়বা য়ারোই হায়না ৱারেপ লৈজবা কোংগ্রেস পার্টিদা সপোর্ট তৌমিন্নসি হায়নসু মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

থৌরমদুদা কোদোম্পোকপী জিলা পরিষদকী মেম্বর এল সুরচন্দ্র, মালোম গ্রাম পঞ্চায়টকী প্রধান কে ইবেয়াইমা অমসুং কোয়রৌ দিভলপমেন্ট কম্মিটিগী প্রসিদেন্ট এল মংলেমনা দেজ মেম্বরশিং ওইনা শরুক য়াখি।

# 'হৈঙাং এ সীদা কোংগ্রেস মুৎলে'

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১৪ : হন্দক্তা হৈঙাং এ সীদগী এম এল এ ওইরম্বা নোংথোম্বম বিরেননা কোংগ্রেসতগী তোকখিবা অসিনা হৈঙাং এ সীদা কোংগ্রেস মুৎলে হায়বা য়ারে হায়না বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী ষ্টেট ইগজিক্যুটিব পি শরতচন্দ্রনা ফোঙদোরক্লি।

হৈঙাং ময়াই লৈকায়দা ঙসি পাঙথোকখিবা পাউগী মীফম অমদা বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী ষ্টেট ইগজিক্যুটিব পি শরতচন্দ্রনা হায়খি, সেন্টরদা লৈরিবা নরেন্দ্র মোদিনা লুচিংবা গভর্ণমেন্ট শেল্লিবা বি জে পিগী লুচিংবশিংনা হৈঙাং এ সীগী ওইনা লাক্কদৌরিবা মীখল অসিদা শেঞ্জা-থুমজা তৌদবা, ক্রিমিনেলগী ৱাখল্লোন চেন্দবা অমদি মীয়ামগী য়াইফনবা তৌবা মীওইদা শোয়দনমক্কী টিকেট পীরক্কনি থাজৈ হায়নসু ফোঙদোকখি।

পাউমীশিংগা উনবা অদুদা হৈঙাং মন্দলগী জেনরেল সেক্রেটরি (এদমিনিষ্ট্রেসন) এম ললিতচন্দ্রনা হায়খি, হৈঙাং এ সীদা হান্নদগী লৈজরকপা বি জে পিগী ৱার্করশিংনা পার্টি অসিবু মপাঙ্গল কনখৎহন্নবা লৌরকপা থৌদাংশিংনা ঙসিদি এ সী অসিদগী মীওই লিশিং ১৩ হেন্না পার্টি অসিদা এনরোল তৌখ্রে। বি জে পিনা চঙশিল্লক্লিবা কোংগ্রেস মুখৎলসি হায়বা পান্দমগী মখাদা হৈঙাং এ সীদসু কোংগ্রেস মুখৎখ্রে।


# কংলাদা মেরা হৌচোংবগী থৌরম পাঙথোক্কনি

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১৪ (ঐচ এন এস):

কংলা রিলিজস কম্মিটিনা শীন্দুনা অরিবা কোনুং কংলাদা মমাঙদগী পাঙথোক্লক্লিবা মেরা হৌচোংবগী থৌরম চহী অসিগীসু ওক্টোবর ১৬ তা অরিবা কংলাগী উত্রা মাঙদা পাঙথোক্কনি হায়না কংলা রিলিজস কম্মিটিগী মেম্বর সেক্রেটরিনা থোকপা চেরোল অমনা হায়রি।

থৌরম অসি পাঙথোকপগী নুংগী ওইবা ৱারীদি কংলৈপাক মণিপুর অসিদা নীংশিংবা থোক্ত্রবা মতমদগী লমদম অসিদা চীংমী-তম্মী অনীনা পুন্না খুন্দামিন্নদুনা অরৈ-লৈতা, অৱাৎ-অপা হংনদুনা লাক্লি। লৈবাক অসিবু ঈংনা মরা তপ্পা চীংবুরোয় তম্বুরোয় অনীনা পামিন্নরকখিবা অদুবু নীংশিংদুনা তুংগী মীরোলদা পাউজেলবা থৌরমনি হায়রি।

নুংথিল পুং ১.৩০ তাবদা পেনা য়াকাইরোল শক্তুনা থৌরম অসি হৌদোক্কনি। চীংমী-তম্মী অনীগী মরী উৎলিবা তাংখুল জগোয়, খম্বা-থোইবী জগোয় অমসুং মাইবী জগোয়নচিংবা উৎকনি হায়রি। হায়রিবা নুমীৎ অসিদা কংলাগী সনথোঙ অহুম্মক্তগী খোঙনা চঙলকপদা অথিংবা থল্লোই হায়না চেরোল অদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

HL-B/3391/15


# জর্নেলিজম ট্রেনিগী ফিল্ড ভিজিট

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১৪ (ঐচ এন এস):

দিরেক্টোরেট ওফ ইনফোর্মেসন এন্দ পব্লিক রিলেসন্সনা শীন্দুনা সেনাপতিদা থা অসিগী ১০ দগী হৌনা চখ্থরকখিবা নুমীৎ ৭ নিগী ওইবা ন্যুজ রিপোর্টিংগী বেসিক কোর্স অদুদা শরুক য়ারিবা ট্রেনিশিংনা সেনাপতিদা লৈবা হিল হোর্ন বিল এক্সপ্রেস অমসুং কৃষি ভিকাস কেন্দ্র (কে ভি কে) হেনবুংদা চৎতুনা ফিল্ড ভিজিট পাঙথোকখ্রে।

নুপী ৯ য়াওবা পুন্না ট্রেনি ২০ না মণিপুর হিল জর্নেলিষ্ট য়ুনিয়নগী প্রসিদেন্ট সোথিং সিমরেগী মখাদা ফিল্ড ভিজিট অদু পাঙথোকখিবনি। হোর্ন বিল এক্সপ্রেসকী এদিটর জোন বোস্কোসু কোর্স অদুদা ফেকল্টি মেম্বর ওইনা শরুক য়াখি। দি আই পি আরগী ষ্টেট ইনষ্টিট্যুট ওফ জর্নেলিজমনা শীন্দুনা পাঙথোকখিবা বেসিক কোর্স অদুদা শরুক য়াখিবা ট্রেনি ২০ না সেনাপতি দিষ্ট্রিক্ট হেদক্বার্টরসতগী কিলোমিটর ৫ রোম লাপ্না লৈবা হিল হোর্ন বিল এক্সপ্রেসকী প্রিন্টিং প্রেসতা চৎতুনা হোর্ন বিল এক্সপ্রেসকী এদিটরনা প্রেস অদুদা থবক তৌরিবা রিপোর্টর, সব-এদিটর অমসুং অতোপ্পা মীওই কয়াগা উনদুনা ৱারী-ৱাতাই শানখি।

কে ভি কে, হেনবুংদা লৈরিঙৈদা ট্রেনিশিং অদুনা ভর্মি কলচর, কিৱি থাবা অমসুং ইমু য়োকপগী মরমদা ৱাফম কয়া হংবগা লোয়ননা নোট তৌশিনখি। ফিল্ড ভিজিট মনুংদা এদিটর জোন বোস্কোনা ট্রেনিশিং অদুদা মখোয়না উরকপশিং অদু য়াম্না ময়েক শেংনা তরু-তরুনা নোট তৌনবা পাউতাক পীখিবগা লোয়ননা মখোয়গী খোঙচৎ অদুগী ওইবা পাউদম অমা ইনবা হোৎনগদবনি হায়খি। অদুগুম্বা পাউদম অদু মহাক্কী পাউ-চেদা ফোঙগনি হায়না মহাক্না ফোঙদোকখি।

বেসিক কোর্স অদু থা অসিগী ১৭ তা সেনাপতি দিষ্ট্রিক্ট হেদক্বার্টরসতা দি আর দি এ কনফরেন্স হোলদা লোইশিনবগী থৌরম পাঙথোক্কনি।

# অর্টিরিওভেনস মেলফোর্মেসনগী অনাবা অমা জেনিমসতা মায় পাক্লা থাঙ থাখ্রে



ইম্ফাল, ওক্টোবর ১৪ (ঐচ এন এস):

মালেমসিদা লৈরিবা মীওইবা খুন্নাইগী মরক্তা য়াম্না তাঙবা লায়না অমা ওইরিবা অর্টিরিওভেনস মেলফোর্মেসন ওফ য়ুটেরস (য়ুটেরাইন অর্টিরিও-ভেনস মেলফোর্মেসন) গী অনাবা অমা জেনিমস হোস্পিটালদা মায় পাক্লা থাঙ থাখ্রে হায়না জেনিমসকী গাইনোকোলোজিষ্ট ডা. কে ঐচ পাইখোম্বনা ফোঙদোরক্লি।

জেনিমস হোস্পিটালদা ঙসি পাউমীশিংগা উনবদা, গাইনোকো-লোজিষ্টস ডা. কে ঐচ পাইখোম্বনা হায়খি, য়ুটেরাইন অর্টিরিওভেনস মেলফোর্মেসন হায়রিবা লায়না অসিগা মরী লৈনবা কেস হৌজিক ফাওবা মালেমগী ওইনা রিপোর্ট তৌরকপদা ১০০ য়ৌদ্রি। লৈবাক অসিগী ওইনসু হায়রিবা লায়না মখল অসি হৌজিক ফাওবগী ওইনা রিপোর্ট তৌরকপা থেংনদ্রি। মণিপুরদগী হন্দক্তা চহী ৩৭ রোম শুরবা নুপী অমদা অনাবা মখল অসি থেংনবনি। লায়না মখল অসি নুপী ওইবীশিংদা য়াম্না তাঙনা থোকপা লায়না মখল অমনি।

লায়না অসিনা মরম ওইরগা নুপীগী অঙাংখাউ লৌথোকপদা কা-হেন্না ঈ চৎপদগী অনাবা অদু খুদোংথীনিংঙাই ওইহনবগী চাং ৱাংনা লৈগনি। অদুম ওইনমক ঙরাং অনাবগী ইমুং-মনুংগী মীওইশিংগা লায়না অসিগী মরমদা ৱাখল তামিন্নরবা মতুংদা জেনিমস হোস্পিটালদা অহানবা ওইনা অনাবা অদুগী ওপরেসন পাঙথোকখি। ওপরেসন অদু মায় পাক্লা পাঙথোক্লবা মতুংদা হৌজিক্তি অনাবগী ফীভম ফগৎলে। মসিমক জেনিমসকী ওইনা অচৌবা এচিভমেন্ট অমনি হায়না লৌই।

অর্টিরিওভেনস মেলফোর্মেসন হায়রিবা লায়না অসি মীওইবগী হকচাংগী কয়াৎ অমদা হেক্তা নারকপা য়াই। মরুওইনা ব্রেনগী শরুক্তনা হেন্না নাগল্লি।